

# মীবু অঙাওবনি, অঙাওবীনি হায়ৰিবা মখোয়দি ঙাওদবৰা ... "ঙাওরিবাসিবু"?

## সুর মৈতৈ

**সুর মৈতৈ**

ফি ফজবা শেৎকনি, অতাঙবা অহাওবতা চাগনি অমদি নুংঙাইবা মশক খঙলিবশিংনা মী অসি অঙাওবনি ঙাওদবিনি হায়নদি হায়রি। অদুবু তশেংনা ঙাওরিবসি কনানো হায়না হংলিবা ৱারী অমা ওইরি "



ঙাওরিবসিবু" হায়বা শুপ্পগী মিনিট ৬ খক্তং শাংবা অতেনবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা "ঙাওরিবসিবু" হায়রিবা সোর্ট ফিল্ম অসিনা।

সুর্জিৎ মাইবমগী ৱারী অমদি স্ক্রিন প্লেদা চৌ এন লাইনা দিরেক্সন পীদুনা পুথোকপা অতেনবা ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবা, লাংলিবীশিংনা সুর্জিৎ মাইবম, পোর্ন, বিকাস, থোংলেন, জেস খোংবান্তাবম, কে ঐচ সুনিতা অমদি চাইবনি। ফিল্ম অমা নম্বা হায়বসি মীয়ামগী চাওরবা মতেং অমা চঙই। ফিল্ম অসি নমদ্রিঙৈ মতমদা থৱাই



হকচাং য়াওনা তেংবাং পীরকখিবশিংনা ইমা লুপ লম্লোং কৈথেলগী ইমাশিং, ৱাঙ্খে লৌমানবিগী মীয়ামশিং, কে ঐচ সুনিতা, আর বি অতোম, নাওথি, ৱাই চাইবা অমদি টি ঐচ কান্তনি। অদুগা ফিল্ম অসিগী চাওরবা থৌগাই লৌখিবশিংনা লাইটতা ব্রোজেন খুরাই, ষ্টীলদা চাওবা, মেকপ্তা চন্দ্রমনি অমদি বিক্রম, কোষ্টুমদা জেস, ম্যুজিক্তা দিগজাম, প্রোসেসতা এ ড্রিম ইন্টরটেনমেন্ট, কেমেরা অমদি ইদিটরনা জয়কিষননি।

কে এম প্রদক্সনগী মখাদা কে ঐচ মেঞ্জোর মঙাংনা প্রদ্যুস তৌদুনা অমদি থবা লৈমনা প্রজেন্ট তৌবা অতেনবা ফিল্ম অসি ময়ুম মকে লৈত্রবী, ফজবা ফিজোলগী অমদি অহাওবা চিঞ্জাক্কী ৱাখল তৌদ্রবী লোম্থোক্ত্রবী, মীয়াম্না অঙাওবী হায়না মিঙ্গৌবিরবী লম্বী সরক্তা কোইচৎ চৎলবী নুপী অমগী ৱারীনা থাংলিবা খোঙথাং, খোঙচৎতুনা ৱাখল তারিবনি হায়না লৈরিবা ফজবা ফিজোল শেৎকনি, অহাওবা চিঞ্জাক চাগনি খল্লিবা অমদি নোর্মেল লাইফদা হিংলিবনি হায়দুনা হিংলিবা মীওই কয়াদা পাউখোং কয়া ফোঙলিবা ৱারী অমা ওইরি 'ঙাওরিবসিবু'।

ফিল্ম অসিগী শন্নপ্পা ৱারীদি লম্বী মপালদা থবী য়োনবী মৈতৈ নুপী অহল অমনা থাদুনা য়োল্লিবা থবী অদু অঙাওবী নুপী অদুনা উবদগী চানিংদুনা চঙশিন্দুনা খুৎনা ইঙ্গিৎ তৌদুনা থবী অদু চাগে হায়রুই। অদুবু পীজরকখিদে। নিঙমদনা অঙাওবী নুপী অদু মফম অদুগী থোরকখি (মতাং অসিদা মীওইবগী মীনুংশি হায়বদু কদাইদা চৎখ্রবগে হায়না হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি)। মহাক্না অসুম লাকপদা লম্বী সরক নক্না মীতোপ্পা ফম্বা হোটেল অমা থেংনবদগী চঙশিন্দুনা চেপথদুনা য়েংখি। হোটেল অদুদা থবক শুবা য়াওবা মীতোপ অমনা মীনুংশি য়াওদনা ঈশিং খিত্তুনা তাম্থোরকখি (মহাক্না য়েংলিবদুদি চানবা পোৎলমশিং অদু মীতারুবা নত্তে। মীতোপ্পা লমদম অসিদা লাক্লগা মতম মাঙহন্দনা হোৎনরিবশিং অদু কল্লক্তুনা য়েংজবনি। অঙাওবীনি, অচাপোৎ চাগদৌগী তৌরিবনি খন্না তাম্থোকপিরকখিবনি)।

অঙাওবীনি হায়রিবা নুপী অদুনা মফম অদু থাদোক্তুনা কৈথেল অমদা চঙলকপা মতমদা কৈথেল ফম্বী অহল অমনা য়োনবা অচা-অথকশিংবু উরগা চানিংদুনা হরাও-হরাও চাগে হায়না ইঙ্গিৎ তৌরুবদা অঙাওবীনি হায়দুনা তাম্থোকপিরকপদা থম্মোই শোক্না কৈথেল মচি অমদা ফন্নিঙৈ চা-বোরা য়োনবী অহল অমনা নুংশিনা নুপী অদুবু কৌশিনবীদুনা পীজ-পীথকখি ( লৈনরিবা ঐখোয় অয়াম্বা মশেলসু মীওইবা হায়বগী মীনুংশি হায়বদো লৈশিল্লক্ত্রে। অদুবু পুরা মাঙখ্রে হায়বদি নৎত্রি। নুংঙাইবনা অৱাববু তেংবাংবসি মীওইবগী মীনুংশিগী মনুং চল্লি হায়না ফোঙদোকপনি)। নুপী অদুনা মফম অদু থাদোক্তুনা লাকপদা লম্বীদা নুপা খরা পুল্লগা জ্বার শান্নরম্বা উবদা নুপী অদুনা য়াম্না শাওনা য়েংলম্বতা নত্তনা মতিন শিৎলগা চৎখি। (মতাং অসিদা মীতোপনদি মীকুপ অমগী মতম মাঙহন্দনা ৱানা থবক শুরগা পৈশা তাল্লি অদুবু লমদমসিগী মীওইশিংদি অরেম্বদা মতম মাঙহন্দুনা লৈথোকই, শুনিংদে হায়বদু উৎপনি)।

মথংগী নুমিৎতা নুপী অদুনা লম্কাংদা মখুৎ মশা হাইদুনা লাকপা মতমদা অচৌবা খোংনাং পাম্বী অমগী মখোঙদা মীওই অনীনা অঙ্কল চিপ্পস অমদি থবী চাদুনা লৈরম্বা উবদগী চানিংমনখিদুনা মীওই অনী অদুগী মনাক্তা চঙশিনখি। চাক লাম্লে থবী অদু খিত্ত চাগে হায়দুনা ইঙ্গিৎ তৌখি। অঙ্কল চিপ্পস চারিবা নুপা অদুনা মহাক্না চারিবা অঙ্কল চিপ্পস অদু পীবা মতমদা নুপী অদুনা চানিংদে থবী ওইনা চাগে হায়না ইঙ্গিৎ তৌখি। মতম অদুদা চিপ্পস চারিবা নুপা অদুনা থবীদি অহোঙবনি, অঙ্কল চিপ্পসতি মপাল লমদগী পুরকপা অতাঙবা পোৎনি হায়বা মতমদা নুপী অদুনা থবীদি ইরমদম অসিগী পোত্থোকনি হায়দুনা থবী ওইনা চাগে হায়না ইঙ্গিৎ পীখি। থবী অদু ফংলবা মতুং হরাওনা চাবা হৌগৎলকপদা চিপ্পস চারিবা নুপা অদুনা খোঙগ্রাও মোৎকনি হায়না থাদুনা ফল্লিবা ফি মচেৎ অমা উরকপদগী নুপী অদুনা চিপ্পস চারিবা নুপা অদু ইম্থোক্তুনা ফি অদু লৌখৎলগা লাইবক কত্তুনা নুপা অদুগী মখুত্তা পীদুনা ফি অসিদি নিংথিনা থমগদবা ফিনি হায়না তাক্লল্লগা চৎখি। ফি অদু অতৈ অতোপ্পা ফি নত্তে। মচু তরেৎ শঙবা নাৎকী ফি ওইরমখি। ( মতাং অসিদা ঙাওদে হায়না লৈরিবা ফজবা ফিরোল শেৎ-চাগনি হোৎনবা অমা চঙই হায়বসিদা থোইনা লাল্লোই। 'ঙাওরিবসু' হায়রিবা ফিল্ম অসিগী য়াম্না নুংঙাইবা অমদি চাওথোকচনিংঙাই ওইবা অমা হায়বা তারগদি দাইলোগ য়াওদনা অয়েংবশিংদা পীনিংলিবা পাউজেল কয়াবু মমুৎ তানা পীবা ঙম্লিবসিনি।



খঙলিবশিংনা লাইরিবী মমাবু মীরাইরগা মশক ফজবী মীগী মমাবু মমানি খঞ্জবা কয়াবু উৎথোকপতা নত্তনা মরমদম কদাইনো হায়বা খঙদবা জ্ঞান তাবা মানবা মীওই কয়া অমসুং লৈরিবসি লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোকপা মানবা অমসুং য়াওরি)। নুপী অদুনা মফম অদুদগী থোরকপা মতমদা লৌবুক্তা থবক শুবশিং উবদগী মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থবক শুরিবা মীওইশিংদা হরাওবা অমগা লোয়ননা খুরুম্নল্লগা চৎখিবদা ফিল্ম অসিগী অরোইবা শরুক ওইরি। (অরোইবা তাঙ্কক অসিদা থবক শুবা তন্দবা মীবু মতম লৈবা খিবিক্তা ইকাই খুম্নবা উৎকদবনি হায়বা ৱাখল অমসুং ফোঙদোক্লি।

সোর্ট ফিল্ম হায়বসি মতম তেল্লি হায়রগসু নম্বা মতমদা য়াম্না লুবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমদি ওইরি। তঙাইফদনা সিন খুদিংগী ৱাহন্থোক লৈহনবা তেল্লবা মতমদা ৱারী মপুং ফাহনবা অমদি ফজনবা লমদমসিদা অসিগুম্বা অতেনবা ফিল্ম ওইরবসু মীয়ামগী মীৎ-নাকোং ওইগদবা ফিল্ম কয়া পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি হায়নিংই। পনবা য়াবদি ফিল্ম অসিদা লোম্থোক্তবী অঙাওবীগী শক্তম লাংলিবী জেস খোংবানতাবমগী এক্টিংগী তৌশিন্নবা মান্দবা থৱাই য়াওনা হোৎনবগী মমি তাই হায়বগী খুদম অমা হায়বা তারগদি সুট্টিং মফম খুরাই লম্লোং বজারদা মশক ফজবী অঙাওবী অমা চৎলে, য়াম্না পাম্মুই হায়না মীয়াম্না চঙশিন্দুনা য়েংনখিবা অসিনা ওইরি। অদুবু মীয়াম্না ঙকখিবদি অঙাওবীনি খন্না য়েংলিবা মীয়ামদুনা মহাকপু অঙাওবী নত্তে চুম্নগী ফিল্ম সুট্টিংগীনি খঙলকপা মীৎকুপ্তা নোক্না-নোক্না চৎখিবদা ৱারম্বা কয়াদুগী মীৎকুপ খরদি পোত্থাবা ঙমখি হায়বসিমদি সুট্টিংদা শরুক য়ারুবদগী খঙজরকই। ফিল্ম অসি অফবা অতেনবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমদি ওইরি।

## ফাগীগী নিংথৌ ওইনাম বাবুগী হৌখ্রবা পুন্সি খোঙচৎ ...

**সুর মৈতৈ**

### ৩৭ শুবা তাঙ্কক

*হান্নগী মখা...*

সো ১৭ শুবা খুদিংগী লুপা ৫০ য়ুমদা থিনবিরক ই। লিলা অমদি দ্রামা কাংবু কনাগুম্বনা ভেলু মাংহনবা সেল পিবিরকতবা য়াওরি। মদু পুন্নমক ওইনাম বাবুদি য়াখিরমদে। খুথাং লমজেল ফিল্মদা মহাক্কী জিপকা কোন্ননা য়াওখিবা, ঐগা চান্নজবা মীশক্লি মহাক।

ওঝা জি সি তোংৱানা তাকপিরম্বশিং অসিদগী তাদা বাবুসি ওঝানা য়াম্না খোইদজখিবা এক্টর অমনি হায়বা খঙবা ঙমখি। ঙসিদি রাইটর অমদি এক্টর অনিমক অমতা লৈত্রবনিনা শুমাং লিলাগী ফাগীগী ট্রেদিসন চাওনা অৱাৎপা অমা লৈহৌরে।

মিলিনিয়মগী তাংলবা থৌদোকঃ তোমচৌ

২০ শুবা চহি-চাগী অরোইবা তংখায়দা, মণিপুরগী সুমাং লিলাগী অতিয়াদা ফাগীগী থৱানমিচাক অহুম,শগোলসেম তোম্বী (ময়াং ইম্ফাল তোম্বী), ওইনাম বাবু অমদি তখেল্লম্বম চাওবনা পুন্না মতম অমদতা ঙাল্লমবসি মিলিনিয়মগী তাংলবা তাঙ্কক অমনি।

শুমাং লিলা ইবা অমা ওইনা হৌজরকখিবা ঐহাক্কী পুন্সিদা, মতম তাঙ্কক অমদতা, অমমম ওইনা ফঙজবদা ৱারবা মণিপুরগী তাংলবা ফাগী তৌবা অহুমগা থবক তৌমিন্নবা ফঙজহৌবা, অহিং নুংথিল নাইদনা লোইনজৌবা ঐমুক লাইবক ফবা লৈরিবরা, তশেংনা চাওথোকচৈ। ঐহাক্তি ফাগীগী লাইপোকশিং তোম্বী, বাবু অমদি চাওবা ইয়াম্বা অহুমগা চহি খরদং ওইরবসু লোইনবা ফঙজহৌদুনা , অয়াম্বা মতমদা মখোয়গী মতুং ইননবা হোৎনবনা ঐগী ইথৌ ওইখি। তাদা তোম্বীদি মাঙজৌননা তাদা বাবুগী সাউদন জাত্রা এসোসিয়েসনগী এক্টর ওইনালৈরমবনিনা ঐগা অয়াম্বা মতমদা অদুম পুল্লে।

তাদা চাওবদি মাগী পিপল জাত্রা এসোসিয়েসন হায়বা অমা লৈজরিবনিনা অদুক হাক্না পুনবা হায়বদুদি ওইখিদে। অদুবু ইয়াম্বা অহুমনা ইপোমগী টিম শেমখিবদগীদি, মতম চুপ্পদা ঐহাক মখোয়গী মনাক্তা লৈনননবা হোৎনখি।

কোমিদিয়ন অহুমসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টাইল, তোঙান তোঙানবা মেথোদ, পর্সেনিলিটি তোঙান্নে।

মথং মথং...













Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*